ACTIVE SERVICE OFFER
32" LCD
190LT REFRIGE:
7KG W/MACHINE
₹ 30500
JOLLY KAKCHING + VIP THOUBAL + PS NAMBOL
PALACE GATE. CHINGTAM. KHOYATHONG RD.
VIDEOCON HOUSE. SARAJEEVAN. PAONA BZ.

# পোক্নফম

SONY VAIO LAPTOP
TATA PHOTON FREE
SVE15111EN = ₹ 28990/-
SVE14112EN = ₹ 30990/-
SVE15113EN = ₹ 31990/-
SVE15116EN = ₹ 44990/-
SVE14115EN = ₹ 47990/-
SONY HOUSE. NEAR USHA CINEMA. IMP
VIDEOCON HOUSE. SARAJEEVAN. PAONA BZ. IMP.



ৱাইফৈশিংগী 'থাজীং লেপ' কুম্মৈদা এম পি থাংশো বাইতেনা জগোই শাবদা য়াওবা



দি এম কলেজ ওব কর্ম্মসকী কেম্পসতা পাঙথোকপা সাইন্স সেমিনারদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা পীবা

কস্তমনা ফাগৎলক্লবা আইয়া য়াদবা পোৎলমশিং পাউমীশিংগী মাঙদা উৎপা



Regd. 28436/75; MNP No. 66 Vol.37 No. 227 | 12 Pages IMPHAL, FRIDAY, SEPTEMBER 28, 2012 লাংবনগী ১৩নি পানবা, ইরাই www.poknapham.in Rs. 3.00

পোক্নফম

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২৮, ২০১২ ইং, ইরাই
৩৭ শুবা চহী, ২২৭ শুবা মশীং

## নীংথম লৌরোক্কী শেম শাবা

**মণিপুরদা** হৌখিবা ইং ২০০৯ দা ইকং মায়োক্লখ্রবা মতুংদা কুমসিনা ইকংগুন্বা ফীবম অমা মায়োক্লরি। অদুবু হৌখিবা ইং ২০০৯ দা সরকারনা ৱারেপ লৌদুনা 'ইকং থোক্লে' হায়না লাউথোকখ্রবসু কুমসিদি লাউথোকখিদ্রে। ইং ২০০৯ দা জনুৱারী তাং ১ দগী জুলাই তাং ১৯ ফাওবদা মহৌশাগী চুফম থোকপা নোংজুগী চাংদগী চাদা ৪৩ হন্থনা চুবদগী 'মণিপুর ইকং থোক্লে' হায়না লাউথোকখিবনি। কুমসিনা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা চাদা ৩৭ খক্তমক হন্থনা চুবনা ইকং থোক্লে হায়না লাউথোকপা চুমদে হায়দুনা লাউথোকখিদবনি। অদুমওইনমক, জুন অমসুং জুলাই থাদা মশাগী চুফম থোকপা নোংজুগী চাংদগী চাদা ৭৫ হন্থনা চুখিবনা মরম ওইদুনা লৌউ-শিংউগী থবক্তা চাউনা অপনবা থোকখি। সরকারনা লৌমীশিংদা য়াম্না অতাবা মমলদা য়ুরিয়া ফংহনখ্রবা, ঈশিং চিংনবা পম্পশিং পীথখ্রবা অমসুং আর এল আই (রিভর লিফ ইরিগেসন) স্কিমশিং অমত্তা চিংথদনা মথৌ তৌহন্নবা হোৎনখ্রবসু লৌ পানবা ঙমদনা তোকপা কয়া য়াওখিদবা নত্তে। অগস্ত থা ফাওবদা লৈক্রক চত্তুনা লৈবা লৌফম ময়াম অমা য়াওখি।

কুমসিসি মণিপুরদা নত্তনা ভারত পূর্ব্বগী ওইনা য়েংবদসু নোংজুগী ফীবম ইফৎ-ফৎখিদে। নোং চুবগী চাং ৱাৎপা অমসুং ইকং থোকপনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মরম কয়াদগী খারিফ লৌরোক্কী চাথোক চাদা ১০ হন্থনা ফংলগনি হায়না পানরি। খারিফকী মরু ওইবা ক্রোপ ওইরিবা চেঙ পুথোকপগী চাং চহী অসিগী ওইনা চাদা ৬.৪৮ অমসুং হৱাই পুথোকপগী চাংনা চাদা ১৪.৬ হন্থরগনি হায়না পারি। মণিপুরগী ওইনা খারিফ লৌরোক্কী মরু ওইবা ক্রোপসি ফৌনি। মণিপুরদসু কুমসিগী ফৌগী চাথোক য়াম্না হন্থরবা য়াবগী ফীবম লৈরি। লৌফম কয়া লৌ পানবা ঙম্নখিদবা, লৌ পাল্লবা লৌফমশিংগী মনুংদসু ঈশিংগী অৱাৎপা কয়া লৈখিবা, কংনা কংনা ফৌ হুন্নখিবা, হুল্লবা মতুংদা ঈশিং ফংদদুনা লৈক্রক চৎখিবা, ফৌ হৌরবসু থাজিন্নীংঙাই ঈশিং লৈখিদবনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মরম কয়াদগী ফংফম থোকপা ফৌগী চাথোক্তগী য়াম্না হন্থনা ফংলবা য়াবগী ফীবম লাকপনি।

মণিপুরগী মপুং ওইবা লৌউ-শিংউগী পোথোক অসি ফৌনি। লৌমী খুদীংমক্না চহী অমগী তঙাইফদনা ফৌ অমুক্তি থাদুনা লোক্লবা হোৎনৈ। কুমসিসু ইকংগী অৱাবা মরক্তা লৌমীশিংনা লৌ অদুম পান্নরি। লৈজবা পাঙ্গল অমসুং শেল থাদদুনা হোৎনরি। অদুবু লৌমী অয়াম্বনা নামৎ মাঙবগী ফীবমদা লৈরি। মাঙগদৌরিবসি নীংথম লৌরোক্তা কন্না হোৎনরগদি কৃপখৎপা ঙম্বা য়াই। নীংথম লৌরোক্কী মহৈ-মরোংশিং পাক শন্না থারগদি খারিফকী শেনমাঙ ফনয়াম্না কৃপখৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। অদুনা খারিফ লৌরোক্তা লৌ পানবা ঙমখিদবা লৌফমশিং খক্তা নত্তনা হেক ঙল্লিবমখৈ লৌফম অয়াম্বদা নীংথম লৌরোক্কী থাবা য়াবা মহৈ-মরোংশিং পাক শন্না থানবা সরকারগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনফম থোকই। মতম চানা থাবা ঙম্নবা হৌজিক্তগী থানবা মরূ-মরাংশিং থৌরাং তৌবগী তঙাইফদসু লৈ। থাবদা থেংলগদি চাথোক নীংথিনা ফংবা ঙমদে। অয়াম্বা মতমদা সরকারনা লৌমীশিংদা মতম চানা থানবা মরূ-মরাং ফংহনবা ঙমদবসু লৈ। অদুবু কুমসিদি ইকংগুন্বা ফীবম অমা মায়োক্লরিবসিগী য়েংদুনা নীংথমগী থানবা মরূ-মরাং মতম চানা ফংহন্নবা মাঙজৌননা থৌরাং তৌবা চুমগনি।